# যুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়ন, খাগেমপল্লিগী প্লে *নীংথিবী কৈন্যা*

*- নানি*




যুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়ন, খাগেমপল্লি হুইদ্রোম লৈকায় অসি কুমজা ২০০৭তা ইহান হানবা ওইনা মণিপুরী ঠিএটরবু নুংশিজবা, পামজবা অমদি কথোকচবা কয়াগী মান্নবা ৱাখল্লোন্না লমজিংদুনা শাফোঙলকখিবনি। য়ুনিয়ন অসিগীদমক তশেংনা ৱাজখিবা অমদি কথোকপগা লোয়ননা হোৎনজখিবশিংগী মনুংদা লৈখিদ্রবা ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ওইবীরম্বা শ্রী য়াইমা সিংহ অমদি লমদম অসিগী শক্লাইরবা এক্টর দিরেক্টর সীঐচ গুনিন্দ্রো নীংশিংদবা য়াদে। মখোয়গী হোৎনজমল অদুগী মমি ঙসিসু য়ুনিয়ন অসিদা ময়েক শেংনা তাদুনা লৈরি। হৌজিক ফাওবদা, (ৱারেং অসি ইজরিঙৈ ফাওবদা) য়ুনিয়ন অসিনা পুন্না সোর্ট অমদি ফুল প্লে ২৮ পুথোক্তুনা মণিপুরগী মনুংদা পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা ঠিএটরগী কম্পিটিসন/ফেষ্টিভেল কয়াদা শরুক য়াখ্রে। নেসনলগী থাক্তা নেসনল স্কুল ওফ দ্রামা ন্যু দেল্লীনা পাঙথোকপা গুজরাতকী ভদোদোরাদা শীনখিবা পূর্ভোট্টর রাষ্ট্রিয়া নট্য সমারোহ ২০২২ হায়বা অসিদা কাংজম রাধাকুমার সিংহগী ৱারীদা মনি য়ুম্নামনা দ্রামাটাইজেসন তৌরগা লৈতাঙ্থেম শ্যামকিশোর সিংহনা দিরেক্সন পীদুনা শরুক য়ারুরে। সিগী মতুংদা মনি য়ুম্নামনা বেষ্ট স্ক্রিপ্ট ২১লক, সেকেন্দ বেষ্ট স্ক্রিপ্ট ৯লক, বেষ্ট প্রদক্সন ওইনা ১৭লক, সেকেন্দ বেষ্ট প্রদক্সন ওইনা ৯ লক, থর্দ বেষ্ট প্রদক্সন ওইনা ২রক মনা ফংখিবা লৈখ্রে। অসিদা নত্তনা ইন্দিভিজ্যুএল ওইনা হায়বদি বেষ্ট দিরেক্টর, বেষ্ট এক্টর/এক্ট্রেস, বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্টর/এক্ট্রেস, বেষ্ট স্ক্রিপ্ট, সেকেন্দ বেষ্ট স্ক্রিপ্টতা নত্তনা ষ্টেজ, মেক অপ, লাইটনচিংবা কয়াগী মনা ফংলকখিবা কয়াগী নুংঙাইরবা মীকুপ কয়া লৈখ্রে। লোয়ননা য়ুনিয়ন অসিনা ইন্দিভিজ্যুএল এক্টর কয়া অমা মখোঙ শোমখ্রে। য়ুনিয়ন অসিগী লেংবান্দা তোংদুনা মমায় পাকখিবা এক্টর কয়া অমা লৈখ্রে।

ঙসিগী ৱারেং অসিদা মপূম ওইনা লাকচনিংবদি- য়ুনিয়ন অসিগী প্লে "নীংথিবী কৈন্যা" হায়বা অসিনি। প্লে অসি ইহান হানবা ওইনা ঠিএটর সেন্টর মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৫২শুবা সোর্ট প্লে কম্পিটিসন ফোর ক্রিএটিভ দিরেক্টর্স ২০২১ দা ইহান হানবা ওইনা উৎখি। মদুদা প্লে অসিনা সেকেন্দ বেষ্ট প্রদক্সন তারকখিবগা লোয়ননা সেকেন্দ বেষ্ট স্ক্রিপ্ট (মনি য়ুম্নাম), থর্দ বেষ্ট দিরেক্টর (থোংজু নব), বেষ্ট এক্ট্রেস (আর কে রোমিলা), সেকেন্দ বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্ট্রেস (আর কে সন্তারানি) অমদি সেকেন্দ বেষ্ট মেক অপ (ৱাই বিরদীপ)না ফংবা ঙমখি। প্লে অসিমক অমুক হন্না ৪৫রকশুবা খা মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিভেল, ২০২১ লাংমৈদোংদা শরুক য়াখিবদা বেষ্ট প্রদক্সন, বেষ্ট দিরেক্টর (থোংজু নব), বেষ্ট স্ক্রিপ্ট (মনি য়ুম্নাম), বেষ্ট এক্ট্রেস (আর কে রোমিলা), বেষ্ট লাইট (এল রতনকুমার), বেষ্ট কষ্ট্যুম (কে ঐচ রোহেন্দ্রো), সেকেন্দ বেষ্ট মেক অপ (কে ঐচ রতনকুমার)না মনা ফংবা ঙমখি। অমুকসু প্লে অসিমক ৮শুবা ফেষ্টিভেল ওফ ফোক নেরেটিভ আর্টস এন্দ কংলা ঠিএটর মরাথোন, ২০২১-২২দা কংলানা শীন্দুনা উচিৱাদা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অমদসু থর্দ বেষ্ট প্রদক্সন, সেকেন্দ বেষ্ট এক্ট্রেস (আর কে রোমিলা), সেকেন্দ বেষ্ট চাইল্ড (আর কে হেনবিসনা), সেকেন্দ বেষ্ট লাইট (এল রতনকুমার), সেকেন্দ বেষ্ট ষ্টেজ (জিতেন বিরদীপ) অমদি বেষ্ট মেক-অপ (কে ঐচ রতনকুমার)না মনা ফংবা ঙমখি। হৌখিবা নবেম্বর ১, ২০২২দা ক্রিটিক্স ফোরম মণিপুরগী ১৭লকশুবা ফাউন্দেসন দেদা অমুক হন্না এম দি য়ুগী হোলদা উৎখি। লোয়ননা নবেম্বর ৬, ২০২২দা য়ুনিয়ন অসিগী ওফিস খগেমপল্লি হুইদ্রোম লৈকায়, কম্যুনিটি হোলদা লীলা অসিগী মরমদা নৈনবা থৌরম অমা শীনখি। মদুদা ক্রিটিক ফোরম মণিপুরগী মেম্বরশিং, আর্টিষ্টশিং অমদি য়ুনিয়নগী ওফিসলশিংগা লোয়ননা খন্ন-নৈনবা অদুদা শরুক য়াখি।

"নীংথিবী কৈন্যা" মণিপুরী ঠিএটরগী খোঙচৎতা অনৌবা পাজেল অমা পীবা ঙম্বা সিম্বোলিক ওইবা নীংথিজবা প্লে অমনি। নম্বুল তুরেল কৌবী কৈন্যনা মহাক্কী হৌরকফম ওইরিবা কাংচুপ চীংখোঙগী অপোকপা মপা অমদি মনাওনুপীবু থাদোক্লম্লগা নৌনা য়ুম্বাল লম্বীগী খোঙৎ হৌনবগীদমক, মপুরোইবগী লমদম তম্না লাক্লগা, লেপ্তুনা চেম্থখিদুনা ঈপাক অচৌবা তীনখিগদৌরিবদুগী ইঙ্গিৎ অমা অহৌবমক্তদা থমখি। মহাক্না হায়রম্মী, অমুক হন্না মহাক মপাম লমদম অসিদা হল্লক্লরোই। মহাক্কী ঈচেল তুংইন্না লাকপনা নাগা তুরেলগা পুনশিন্নরকপা মফম অদু




য়ৌরকপদা, নম্বুলগী অনৌবা মশক অমা হোংলকখি। তাইবং মীওইবনা ৱাখল খন্থদনা তুরেলগী খোংনুংদা অমাং-অশোয় অমদি ফত্ত-হাওদি কয়া লংথরকপনা, ঈশিংগী মশক মচু হোংলকপা মীপুম খূদিংনা হঙ্গোই তুক্কৎচবা ফীভম অমা লাকপনা নম্বুলগী নীংথিজবা মশক অদু মাঙখি। মহাক্কী খোঙচৎনা ইম্ফাল ময়াই ফাওনা চেল্লকপদা, লমদম অসিগী য়েলহৌ মীশিংনা থবক শুফম-নোম্ফম লৈতবা, শুপ্লতগী নোংমগী খুৎশুমল ফংনবা হোৎনবদা মখোয় মশেলমক্তদা খৎন-চৈনবা থোক্লকপা, অমরোমদা নিশাদা লাইচুরবা নহা কয়ানা মাঙথরক্লিবা মরমচৎ কয়াগী নীংথিবা পাউদম তল্লি। অদুবু মহাক্না মাগী মপুরোইবগী সঙ্গাই য়ৌরকপা মতমদদি লমদম অদুদা মহাকপু ওক্লবা তীল্লম্বা মীয়াম্না মাবু মশক খঙবীদবা, নমথি তুক্কৎচৈ হায়দুনা তাম্থোকপীরকপা, মহাক্কী মপুরোইবা ওইগদৌরিবদুমক্লসু মহাকপু লৌশিনবীখিদবদগী তেংথাবদুনা লীলাগী অরোইবা শরুক ওইখি।

লীলা অসিগী প্লেরাইটনা মহাক্না মীওইবা খুন্নাইদা তম্নিংলিবা মপাও অদু য়াম্না নাখৈ শেংনা হায়নবা হোৎনৈ। মপুংসু ফানা হায়রে হায়না খল্লি। ৱারী অসিনা প্রদক্সন ওইনা লাকপদা খরা হেন্না পূক্লিং লুথনা খন্থবা য়াবগী এরিয়া খরা লৈরি। দিরেক্টরনা ঠিএট্রিকেল দিভাইস খরা হেন্না শীজিন্নদুনা করম করম্বা ৱারী অমদি পীনিংলিবা মেসেজ অদুগী এস্থেটিক্স অদু করম্না শেমগৎকদগে হায়বা চেকশিন্না য়েংবা য়ারি। সিম্বোলিক ওইবা কেরেক্টর, ৱারী খুৎলি, খুৎই-মফোংদোক কয়া অসিগী প্রদক্সন ট্রিটমেন্ট অদোমদা লৈশিল্লগা য়েংবদা লীলানা শাগৎলিবদুগা লীলাদুগী ওইরিবা মশক অদুগা করি খেন্নরিবগে হায়বা অসি অশেংবগী ৱাখলদা মোংলক্তবা ঙমদে। লীলাদুগী অহৌবদা নম্বুলনা লুহোংবগী নীংথিবা ফিজেৎ লৈতেংদুনা থোরকপদুদগী হৌনা লাইটিং দিভাইস কয়া শীজিন্নদুনা য়াম্না ইফেক্টিভ ওইনা পুথোরকপা য়াখিগনি খল্লি। লোয়ননা তুরেল ঈচেলগী ওইবা কেরেক্টর অদুগী মশক অদুসু হাপচিল্লগা ফজবা তরু-তরুবা মশক অদু শাগৎলকপা য়াগনি, মদুনা হেন্না লীলাদুগী মতিক ময়াই চেনহল্লম্বা য়াই। উৎখিবদু লীলাদু মেলোড্রামাটিক ষ্ট্রকচর অমদগী হেন্দোক্তনা কনভেন্সেনল ওইবা চৎনলোন অমগী লৈই মনুংদা লৈখিবদুনা করিগুম্বদা কেরেক্টর অমা ওইনা শেমগৎলক্লিবা এক্টরশিংগী মশক থোকহল্লকপা ঙমদবগুম, ইফা ফাজিনবগুম মতিং ইথোক থোক্তবগুম উরকই। প্লেরাইটতগী হৌরগা দিরেক্টরগী ওইবা কন্সেপ্টশিং অদু এক্টরশিংনা কয়া য়াম্না ৱাখলদা চঙহনবা ঙম্বগে হায়বদু ময়েক শেংহন্নিংই। অদুম্নমক্তি ওইরগা উৎখিবা লীলা অদুনা অয়েংবশিংদা প্লেরাইটকী পূক্লিং ৱাবুদি য়ৌহনবা ঙমখি। মসিনা অতোপ্পা লন্নাইগী ওইবা মীৎয়েং অমা ওইরবসু, য়ুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়নগী মশাগী ওইজবা হৈনজবী মপুথোক অদোমদা য়েংলগদি প্লে অসিসু মমাঙ মমাঙদা পুথোকখিবা অতৈ প্লেশিংদগী থোইদোক্লা ময়েং তাদবা অমা ওইরে হায়না লৌবা য়াই।

মখা তানা মীৎয়েং অমগা তমজনিংলিবদি, হৌজিকসি মণিপুরদা ঠিএটরগী মপাঙ্গল অসি খরা শোন্থরকপগুম্না উরে। ঠিএটরগা ওদিয়েন্সশিংগগী মরক্তা অচৌবা ৱাখল ফাওদোক্লদবা অমা লৈখিবনরা নৎত্রগা করি করম্বা অমা লৈরবনো ওদিয়েন্সশিংগা মণিপুরী ঠিএটরগা কা হেন্না মমাঙদা লৈরম্বা মরী অদুমক্তি য়ৌনা কনদ্রে হায়না থমজনিংই। ওদিয়েন্সশিংনা পাম্বা, ওদিয়েন্সশিংগী সাইকোলোজিগা লীলা পুথোক্লরিবশিংগী মপুথোক্কা ইশম শম্নদবগুম্বা অমা তৌরকপনা ওদিয়েন্সশিংনা হোলদা লাক্তুনা প্লে য়েংবগী চাং খঙহন হন্থরকখ্রে। লীলা তৌরিবশিংগী মরক তোয়না হায়নবা ৱাফম অমা লৈ "ঐনা তৌরিবসি ঐ ইশাগীনি, ঐগী লীলাসিদি অরুবনি, ইন্টল্লেকচ্যুএল কাঙবুনা য়েংবদা ৱাখল চপ চানা ফাওনবা ঙম্মী। মীচমগী নত্তে, কনাসু য়েংবীদ্রবসু য়াই" হায়বা ৱাফম অসি মতম খরগী মমাঙদা কন্না হায়নবা গ্রুপশিং দিরেক্টরশিং লৈরম্মী। মদু মশাগী ওইবা ওপিনিয়ননি। অদুবু মদুগী ৱাফম অদুনা অচুম্বা ওদিয়েন্সশিংদি লীলাদু য়েংদ্রবসু য়াই হায়বা ৱাখল্লোন অমা য়াওরি। ওদিয়েন্সশিংনা টিকেৎ কল্লগা মথম্মোয় পেন্না পেন্না লীলা য়েংলম্বা অদু হনখ্রে। য়েংবীনবা ৱাৎলে। য়ুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়ন অসিনা মরী মরী পুথোরক্লিবা লীলাশিংদি ওদিয়েন্সশিংনা নুংঙাইনা য়েংই। ওদিয়েন্স অমত্তা মকোক চিকহন্দে। ভাবোক খোনবা লীলানা অয়াম্বা তৌই। মসিনা তপ্পা তপ্পা ওদিয়েন্সশিংবু হোলদা চিংশিনবা ঙম্মী হায়না লৌই। মখা তানা য়ুনিয়ন অসিদগী অফবা লীলা কয়া পুথোরকখিগনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২০।১১।২০২২ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক্কী পুং১০.৪২ ফাওবা হিয়াঙ্গেগী ২৬ নি পানগনি, মতুংদি ২৭নি পাল্লনি।

**মেষ:** লাইবক ফবা হেনগনি, মীচৎ তানবসু কান্নগনি, য়েৎনরম্বসু কোকচগনি, খাঙবা কনবনা থবক পাঙবা হেনগনি। ফিংবনদি লন মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা শোয়দনা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃষ:** খাঙবা কনবা, ৱা য়াম্না ঙাঙদবা, খোইরাং-খোইশাওবা ফাথবনা পামদবা নংবা য়াবদৈ কঞ্জগনি। অনৌবা থবক পাঙবদি য়াম্না চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- অচুম্বনা মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**মিথুন:** ঐদি লান্দবনি হায়দুনা চুমদ্রিং চৎপনা কান্নবা করিসু ফংলোই। য়াকা য়েংনা চৎপা, অনৌবা মীগী মতেং লৌবা মতাং চাগনি-চিংনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- পাউ তাজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**কর্কট:** শাজৎ হৈত্রদি অচানবা কায়ননি, নাইতোম ৱা লেপথোক্কনু-মাঙগনি। মরুপ মপাংনদি চাল্লি, পল্লম্বা শেলথুম ফংবা য়াই, শেন্দোং লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংজৈ
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**সিংহ:** অরং-অরাক ফংবা, হকচাংসু নুংঙাইবা হেনবা, থৌরম শিন্দোকপা হৈবা নুমিৎনি। হেন্না অশা চাওবদি য়াদে। য়ুমগী ৱা তাবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- তেঙবাংথোকপা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**কন্যা:** অফবা ৱাখল্লোন্না মাঙ থানা থৌ পাঙউ, তঙাই ফদবদা থাজবা মরুপকী ৱা তাউ-কান্নগনি। থবক্তগী কান্নবা অমদি ঈকাই খুম্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**তুলা:** শেল অমদি মীগী মতেং ফংগদবা নুমিৎনি। লনসু চাওখৎনবা হোৎনবদা, মীয়াম পুনবদা নুংঙাইজবা ফংগনি। শকখংদবদগীদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক:** কোক শাবা লৈরসু মীরক চংলগা পোথাবা ফংজগনি। ওজা গুরুনা চানবীগনি, পন্দুনা লৈখিবা লন ফংবা য়াবা লৈ। নাপলদি তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**ধনু:** য়েৎনবনা কান্নগদবা লৈরোই-খাঙবা কল্লু। মতাং চানা থৌনা ফুদোকপনা অফবা মফম কনবা ঙমজবা, অনৌবা ৱাখল্লোন্না থৌ পাঙবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মকর:** চরাংনগনু অমদি হেন্না থাজরুনু। হুরানবা অমদি য়েংশিনবা য়াম্মী-অঙম্বা তেংবাংথোকপা ফৈ। থেংলপ্না নুংঙাইবা, মীগী মতেং ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**কুম্ভ:** পাঙবা হৌখ্রবা থবক্তা মাঙলোমদা নীংহন্নদনা চংশিল্লু-মায় পাক্কদবা লৈরে। নুংঙাইবা পাউসু তাগনি, লাইগুরুনা চাল্লি। খুৎতি চাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী হেন্না ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**মিন:** ওইজবা তানবদা খুৎচাও থাবা য়াগনি, থৌনা লৈউ-কিগনু। লাইবক ফরে অদুবু নাপলদি লোয়নগনু-মদুনা শকচু থোক্তবা লাকপা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## সঙাই ফেষ্টিভেল হৌদোকপা নুমীৎতা নর্গিস ফকরি শরুক য়াগদৌরি



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর গভর্ণমেন্টনা টুরিজম সেক্তরবু চাউখৎননবগী পান্দমদা অমদি মপান লমদগী মণিপুরদা লাক্তুনা লমদম অসিগী ফজরবা নাৎ, ফিজেৎ-চাকচা অমদি কলচরনচিংবা খঙহন্নবগীদমক হয়েংদগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা সঙাই ফেষ্টিভেলগী হৌদোকপা নুমীৎতা শক্লাইরবী হোল্লিৱুদ অমদি বোল্লিৱুদকী এক্ট্রেস নর্গিস ফকরিসু শরুক য়াগনি হায়রি।

সঙাই ফেষ্টিভেল হৌদোকপদা শরুক য়ানবগী লাক্কদৌরিবা শক্লাইরবী এক্ট্রেস নর্গিস ফকরিনা করিগীদমক মণিপুরদা লাক্কদৌরিবনো হায়বগী মতাংদা দিজাইনর কুমারজিৎ লাইশ্রমনা ফোঙদোরকখিবদা, টেক্সটাইল ইন টুরিজমদা য়ুম্ফম ওইদুনা লমদম অসিগী ফিশাবীশিংদা শিরোই লিলি, সঙাই, লোক্তাক, শগোল কাংজৈ, নোংইন, চিরি ফ্লৱার, খন্বা-থোইবীনচিংবগী শক্তমশিং য়াওবা ফিশিং শাহনখিবা অদুবু মহাক্না শেৎ-ইলহন্দুনা মালেমগী মফম কয়াদা শক্তাক্লবগী পান্দমদা লাক্কদৌরিবনি। লোয়ননা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লিশাং শিৎনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা সঙাই ফেষ্টিভেল অসিগী ওইনা হন্দক চহী ২০২২ অসিদা নর্গিস ফকরিবু শরুক য়াহন্দুনা লমদম অসিদগী মাঙখিবা য়াই হায়না মীপায়নরিবা সঙাই কন্নবা অমদি মহৌশাগী খল কায়থরক্লিবা অসিদা মীয়ামদা এৱ্যেরনেস পীনবগী পান্দমদা মহাকপু ফেষ্টিভেল অসিদা য়াওহনবনি। মহাক্না ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়াদুনা মণিপুরগী ফজরবা কলচরশিং মালেমগী মফম কয়াদা মশক তাকপদসু অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু দিজাইনর কুমারজিৎ লাইশ্রমনা ফোঙদোরক্লি।

## মতম কক্তনা বন্দ তৌরগনি : ক্লব

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা নবেম্বর ২৭ ফাওবগী মনুংদা শওম্বুংদগী কৈবী লম্বী অসি লৈঙাক্লা শেম্বীদ্রবদি থংনবা নুমীৎ নবেম্বর ২৮, নিংথৌকাবা নুমীৎতগী শওম্বুংদগী কৈবী লম্বী মতম কক্তনা বন্দ তৌরগনি হায়না শওম্বুং ষ্টুদেন্টস ক্লব, মৈরা পায়বীগী মায়কৈদগী ফোঙদোকচরি হায়না শওম্বুং ষ্টুদেন্টস ক্লবকী সেক্রেটরি টি ঐচ মোমোচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## নেসনল এৱার্দ খুৎশিন্নরকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): বহুজন সাহিত্য একাদেমী (নেসনল কম্মিটি ওফ ইন্দিয়া)না চহী অসিগী ওইনা তোঙান তোঙানবা লমদা শীংথানিংঙাই ওইবা থবক তৌবা মীওইশিংদা পীবা মনাশিংগী মনুং চন্না নর্সকী শিনফমদা চোকথবা নাইদনা মীয়ামগী থৌগল তৌদুনা লাকখিবী ফ্লোরেন্স নাইতিঙ্গল এৱার্দ ২০১১ ফংখ্রবী থোংজুদগী থোঙাম বিনোদিনি অমদি থাংমৈবন্দদগী বি অমুস্না অনীদা লেমজনিংঙাই ওইরবা ৱাইদ্যা রত্ন নেসনল এৱার্দ ২০২২ খুৎশিন্নরকখ্রে হায়রি।

এৱার্দ অসি থা অসিগী ১৩দা গরৱাল ভবন ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকখিবা অহুম্লকশুবা বহুজন রাইটর্স নেসনল কনফরেন্সতা বহুজন সাহিত্য একাদেমীগী নেসনল প্রসিদেন্ট নলা রাধা কৃষ্ণ অমদি বহুজন সাহিত্য একাদেমী মণিপুর ষ্টেট প্রসিদেন্ট ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা খুৎশিন্নখিবনি। হায়রিবা কথোকপা অমগা লোয়ননা নর্সকী শিনফমদা থবক তৌরিবী থোংজুদগী থোঙাম বিনোদিনি অমদি থাংমৈবন্দদগী বি অমুস্না অনীদা খুৎশিন্নখিবা ৱাইদ্যা রত্ন নেসনল এৱার্দ অদুদা সোল, সাইটেসন অমদি মমেন্টোসু য়াওখি হায়রি।



Title : Kakashi
By : Irungbam Carwin
Class : V Sec : Jasmine Roll No. : 8
School : SL Arena of Learning



Title : Elephant
By : Jecika Chanu
Class : III-C Roll No. : 25
School : Standard Robarth Higher Sec. School



Title : Gohan Final Form
By : Nongthombam Samson
Class : V Roll No. : 22
School : Nongpok Maheikol



Title : Scenery
By : Leitanthem Lanchenba
Class : III Sec : A Roll : 22
School :



Title : Naruto
By : Lingjel Athokpam
Class : II Sec : B Roll No. : 27
School : Unacco, Khongman



Title : Mother & Baby dog walking in the garden
By : Maisnam Langonbi Chanu
Class : I Sec : Lotus Roll No. : 26
School : SL Arena of Learning



Title : Pinapple
By : Miss Rufiya
Class : III/A Roll No. : 22
School : S.R.H.S.S.



Title : Mermaid
By : Taibanganbi
Class : III Sec : A Roll : 2
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : deers near a small pond
By : Takhellambam Damini
Class : I Sec : Lotus Roll No. : 22
School : SL Arena of Learning



Title : A kacha house
By : Takhellambam Ranjita
Class : Nursery Sec : Lotus Roll No. : 2
School : SL Arena of Learning



Title : Nezuho
By : Takhellambam Lichen
Class : III Sec : Lotus Roll No. : 3
School : SL Arena of Learning



Title : Scenery
By : W. Prigy
Class : III/C Roll No. : 29
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title :
By : Wahengbam Barselina
Class : V Sec : Rose Roll No. : 21
School : SL Arena of Learning



Title : Goku M.U.I
By : Henthoiba Sarangthem
Class : IV-A Roll : 24
School : St. Joseph Hr. Sec. School



Title : Irabot
By : Lairikyengbam Antonio Singh
Class: VI Sec : A Roll No. : 30
School : KV Lamphel



Title : Boat
By : Oinam Neerjit Singh
Class : KG Sec : B Roll No. : 35
School : Unacco School, Khongman Zone-III

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।